**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 24-03-2026)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা হায়রি-রাজ্য অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমকা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন শাগৎতুনা পুন্না নুংশি চান্ননা হিংমিন্নগদবনি।

ইম্ফালগী বি.টি. পার্কতা লৈবা অথৌবশিংগী নীংশিং খুভমদা জষ্টিস কমিতি ওন এঙ্গলো মণিপুরী ৱার ১৮৯১, মারটিয়র্স এন্দ ফ্রিদম ফাইটরস ওফ কংলৈপাক (মণিপুর) না শিনদুনা ঙসি পাঙথোকপা মনিপুরগী কোনুং কংলাদা বৃটিশশিংনা ইং কুমজা ১৮৯১ গী মার্চ ২৪ দা লান্দারকখিবা নুমিৎ অদুবু নিংশিংবা ওইনা পাঙথোকপা, কম্মেমোরেসন ওফ কংলা এত্তেক্ট হায়না মিংথোনবা থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়ারদুনা শ্রী খেমচান্দনা হায়-তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা খুন্দামিন্নরিবা লমদম অসিগী মীপুম খুদিংমকা মনিপুরি অমনি হায়বগী চাউথোকচবগা লোয়ননা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন শাগৎকদবনি। ফুরুপ মশেলগী মরক্তা লিংজেল মান্নবা, নুংশি চান্নবা, অমনা অমবু ইকায় খুমবগা লোয়ননা অপুনবা মনিপুর অমগী ৱাখল্লোন- আইদিয়া ওফ মনিপুরগী মীৎয়েংনা মাংদা থমদুনা পুন্না চাউখৎমীন্ননবা হোৎনগদবনি। লমদম অসিগী নীংতম্বা ঙাকবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংগী থৌনা-লিংজেল অমদি কৎথোকখিবা অদুবু ঙসিগী মীরোলনা ইকায় খুমগদবনি।

থৌরম অদুগী থৌরম মপু ওইখিবা জষ্টিস কমিতিগী চেয়ারমেন-জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা হায়-কমিতি অসিনা কন্না হোৎনবদগী এঙ্গলো মনিপুরি লালদা য়াওখিবা মীয়ামনা শকখঙনবা ৱাৎলিবা ইপা-ইপুশিংগী খোঙ্গুল লীদুনা মশক খঙদোকপগী থবক লেপ্তুনা চথরি। মসিগী মথক্তা এঙ্গলো মনিপুরি লানগী শরুক

অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শোকখিবা লানফমশিং মশক খণ্ডদোক্তুনা, মফমশিং অদুদা নীংশিং খুভমশিং শেমগৎপগী থবকসু চত্থরি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা অকাশবানি ইম্ফালগী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর (ন্যুজ)-থোকচোম জোগেন্দ্রজিৎ শরুক য়াখি।

বঙ্গলাদেস, ম্যান্মার, ত্রিপুরা, অসাম অমসুং নগালেন্দনচিংবদা খুন্দারিবা মনিপুরিশিংগী তোঙান তোঙানবা লুপ কয়াগী মীহুৎশিং অমদি মশক নাইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা এঙ্গলো মনিপুরি ৱার-১৮৯১ দা লান্থেংনখিবা মনিপুরগী অথৌবশিংগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুমবসু উৎখি।

ইং ১৮৯১ গী এঙ্গলো মনিপুরি ৱার মতমদা য়েকবা বৃটিশশিংবু হাৎখিবা শগোলশেম ধোনো সিংহগী মীতম মায়খুম হাংদোকপগী থৌরম অমা ঙসি ফ্রেন্দস য়ুনিয়ন ক্লব-খোঙনাং ফৈদেকপী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতা সিংহনা হায়-মতম অমদা অদুক্কী মতিক মথৌনা লৈরম্বা মনিপুরিশিং ঙসিদি অনম অহা চুমগা চপ মান্ননা লৈরে। থায়নাগী ইপা ইপুশিংগী থোনা লিংজেল ঙসিগী মীরোল ঐখোয়দসু লৈহনগে হায়রবদি মীপুম খুদিংমকা মখোয়না চৎলম্বা নিতি নিয়মশিং ইন্দুনা চৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

**ফেষ্টিভেল (এল)ঃ** নুমিৎ হুমি চত্থগদবা ফেষ্টিভেল ওফ দান্স এন্দ ম্যুজিক ঙসিদগী পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা লৈবা গভর্নমেন্ট দান্স কলেজতা হৌখ্রে।

ইষ্টর্ন জোনেল কলচরেল সেন্তর কোলকাতানা গভর্নমেন্ট দান্স কলেজ ইম্ফালগা খুৎশমনা শিনবা ফেষ্টিভেল অসি আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি খুরাইজম লোকেন সিংহনা হৌদোকখি। ফেষ্টিভেল অসিদা মণিপুরী, ভারত নাত্যম, কথক অমসুং কবুই, কোইরেং অমদি তাঙ্খুলনচিংবগী ফোল্ক জগোইশিং উৎকনি। গুরু রিউবেন মসাংবগী তাঙ্খুল ম্যুজিক য়াওনা তোঙান তোঙানবা ফোল্ক ম্যুজিক্কী

থৌরমসু পাঙথোক্কনি।

ফেষ্টিবেল অসি হৌদোকপগী থৌরমদা এম.এল.এ. তোংব্রম রোবিন্দ্রো সিংহ্ অমদি ইর্ষ্টন জোনেল কলচরেল সেন্টরগী বোর্ড ওফ গভনরসকী মেম্বর-বুধা চিংথাম শরুক য়াখি। ঙসি অহৌবা নুমিৎতা রিদমস ওফ মনিপুরগী লৈচল, লোঙা কোইরেং কলচরেল ত্রুপকী কোইরেং ত্রাইব দান্স, কংলৈ ইন্দিজিনস মার্সেল আর্টস এন্দ কলচরেল সোসাইতিগী থাং-তা উৎখি। ওপন ইয়ার ঠিয়েটরদনা শ্রীশ্রী বাল মুকুন্দা দেব ম্যুজিক কলেজগী হিদংময়ুম লালহরি শর্ম্মগী ভাসি, গভরমেন্ট দান্স কলেজকী ৱাহেংবম সিয়ালক্সমি দেবীগী মনিপুরি জগোই অমসুং ডাক্তর পুখ্রম্বর তেজপতি দেবীগী ভারত নত্যায়ম জগোই উৎখি।

**কমিতি (এল)ঃ** চৎলিবা শেনবা চহি ২০২৬-২৭ কী তোঙান তোঙানবা দিমান্দ ফোর গ্রান্টশিং য়েংশিন্নবা মনিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী কমিতি অহুম শেমখ্রে।

কমিতি ওন পব্লিক একাউন্টসকী চেয়ারমেননা-এম.এল.এ. সুরজাকুমার ওক্রমনা ওইরগনি। কমিতি ওন ইষ্টিমেন্টকী চেয়ারমেননা এম.এল.এ-সৈখ নুরুল হাসন অমসুং কমিতি ওন পব্লিক অন্দরটেক্কিংসকীনা চেয়ারমেননা-এম.এল.এ. থোকচোম রাধেশ্যামনা ওইরগনি।

**টিবি (এল)ঃ** মালেমগী টি.বি. নুমিৎ অমসুং নুমিৎ ১০০ নি চথুগদবা টি.বি. মুক্তা অভিয়ান হৌদোকপগী থৌরম ঙসি রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখ্রে।

৪৫ রক শুবা ৱার্ল্ড টি.বি. ডেগী থৌরম নেসনেল টি.বি. ইলিমিনেসন প্রোগ্রাম, নেসনেল হেলথ মীসন অমসুং দাইরেক্টোরেট ওফ হেলথ সাভির্সেসনা-য়েস ৱি কেন এন্দ টি.বি.-লেদ বাই ভারত, পৱার বাই জন ভাগীদারি হায়বা হীরমদা নুমিৎ পালন অসি জেনিমস হোস্পিতালগী

ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মীয়ামগী খোঙচৎ অমসু চৎখি।

মালেমগী টি.বি. নুমিৎ ঙসি মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা পাঙথোকখি। তমেংলোং জিলাগী তমেংলোং হেদক্বাটরসতা লৈবা সেকিনু ইনদা নেসনেল টি.বি. ইলিমিনেসন প্রোগ্রামনা শিনদুনা পাঙথোকখি। নোনে জিলাদসু সি.এম.ও. ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা নুমিৎ অসি পালন তৌখি। নুমিৎ অসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট টি.বি. ওফিসারগা খুৎশমদুনা ৱাংবলদা লৈবা আই.আর.দি.ই.ওগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

চান্দেল জিলাদসু ৱার্ল্ড টি.বি. ডেগী প্রোগ্রাম দিষ্ট্রিক্ট টি.বি. সেন্টর চাণ্ডেলনা শিনদুনা টি.বি. এৱারনেস প্রোগ্রাম অমদি লেমা টি.বি. স্ক্রিনিং তৌবগী থৌরম ঙসি লীৱা চনিং খুলদা পাঙথোকখ্রে।

**নিংথৌ (এল)ঃ** কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি-জে.পি. নদ্দানা হায়রি-অৱাং নোংপোক লমদমদা মেদিকেল কলেজ ১২ শেমগৎখ্রে। মহাকা হায়-নেসনেল হেলথ মীসনগী মখাদা সরকারনা অৱাং নোংপোক্কী রাজ্যশিংদা মপুং ফাবা হেলথ কিয়ারগী খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা থবকশিং পায়খৎতুনা লাক্লি।

রাজ্য সভাদা ঙসি মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা অৱাং নোংপোক মীয়ামদা মতিক চাবা হকশেলগী খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা সরকারগী মায়কৈদগী করি করি থবক লৌখৎলবগে অমদি এইমস নৎত্রগা মসিগা মান্নবা থাক্তা ইন্সটিট্যুট শেমগৎনবা থৌরাংশিং পায়খৎপা লৈরব্রা হায়বা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা কেন্দ্রগী মন্ত্রিনা হায়-হৌখিবা চহি তরারোম অসিদা অৱাং নোংপোক লমদমদা মেদিকেল কলেজ ১২ শেমগৎখ্রে। মসিগী মথক্তা রিমস হোস্পিতাল মতমগা চুন্নবা মেদিকেল কলেজ অমা ওইহন্নবা পান্দমদা সরকারনা লুপা কোতি লিশিং ৪,৭২৩ কায়থোকখ্রে। মেদিকেল কলেজশিং শেমগৎখ্রবা মফমশিংগী মনুংদা-মনিপুরগী চুরাচান্দপুর মেদিকেল কলেজ য়াওরি।

**হেন্দলুম (এল)ঃ** কেন্দ্রগী টেক্সতাইল মন্ত্রালয়না পায়খৎপা নেসনেল হেন্দলুম দিবলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা ৱিভরস সার্ভিস সেন্টর-ইম্ফালনা মনাউ ইন্টরপ্রাইজেসকা খুৎশমদুনা খুরুখুলগী অকোইবদা লৈবা ফিশাবীশিংদা ফিশাকোন অমদি ফি শাবদা চংবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

খুরখুল লমখাই কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা রাজ্যগী হেন্দলুম অমসুং টেক্সতাইলগী জোইন্ট দিরেক্তর-বসন্তা সিংহনা হায়-কেন্দ্র সরকারনা লৈবাক অসিগী ফিশাবীশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহননবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। মহাকা হায়-ফিশাবীশিংনা থৱায় য়াওনা হোৎনদুনা ঐখোয় ঐখোয়গী ইয়োংদা শাজবা ফিরোলশিং অসি মগুন লৈবা অমদি মপান লমশিংদসু থাদোকপা ঙমবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

**সিবিসি (এল)ঃ** সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্ম্যুনিকেসন-রিজনেল ওফিস ইম্ফাল অমদি এন.জি. মণি কলেজ খুরাই চাইরেন থোংনা পুন্না শিনদুনা ভিক্সিত ভারত ২০৪৭ এন্দ য়ুথ হায়বা হীরমদা আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

কলেজ অসিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভোকেস্নেল ষ্টদিজ অমসুং স্কিল দিবলপমেন্ট দিপার্টমেন্টকী হেদ-ডাঃ নমব্রাম অমুলকুমারনা হায়-সরকারগী থবকপু থবক ওইনা খল্লগা লন্নাই ওইনা তৌবা থবকনা থবক ওইনা খন্দবগী চৎনবী অমা লমদম অসিদা লৈরিবা অসি থাদোকপগী তঙাইফদবা লৈরে। মহাকা হায়-মহৈরোইশিংনা মহৈ তম্লিনৌদগী মতমদগী হৌনা তুংদা থবক ফংগদবা লম্বীদা চংশিনদুনা ইরোমদোম লেপচবা ঙমবা হোৎনগদবনি।

**আইদিপি (এল)ঃ** ৱান ফেমিলি, ৱান লাইফলিহুড হায়বা থৌরাংসিগী মখাদা চীফ মিনিস্তরস ওন্টরপ্রেন্যুয়রসিপ সপোর্ট স্কিমগী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীয়ামবু হেন্না খঙহনবগী থৌরম অমা মোইরাংদা লৈবা আই.এন.এগী

ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

প্লান্নিং বিভাগনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন-বিষ্ণুপুরগা পুন্না শিনবা থৌরম অসিগী মরুওইবা পান্দমদি, মোইরাংগী অকোইবদা লৈরিবা আই.দি.পিশিংদা স্কিম অসিগী কান্নবা হেন্না খঙহন্নবনি।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা দিপ্যুতি কম্মিস্নার-শ্রীমতি পুজা এলাংবমনা হায়-আই.দি.পিশিংগী ওইনা অসিগুম্বা প্রোগ্রাম পাঙথোকপা অসিনা ওন্টরপ্রেন্যুরসিপকী খুত্থাংদা মখোয়বু তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা কান্নবা পীরগনি।

**মিৎ (এল)ঃ** নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর কন্ত্রোল ওফ ব্লাইনেস এন্দ ভিজ্য়েল ইমপিয়ারমেন্ট-থৌবালনা শিনদুনা লৈবাক শিনবা থুংবদা পাঙথোকপগুম ৪০ রক শুবা নেসনেল আই দোনেসন ফোরটনাইট ওবজারভেসন ডেগী থৌরম ঙসি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল থৌবালগী আই ব্লোক্তা পাঙথোকখ্রে।

এব্রি ডে হিরোজ হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি থৌবালগী চেয়ারমেনসু ওইরিবা দিপ্যুতি কম্মিস্নার-য়ুমাম রোবিতানা হায়-মিৎ দান তৌবা হায়বসি পুকচেল য়ামা চাউবা ৱাখল্লোননি। মরম অদুনা, মিৎ দান তৌবগী মতাংদা মীয়ামবু হেন্না খঙহনবগী এৱারনেস প্রোগ্রামশিং পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈ।

**চান্দেল (এল)ঃ** দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার-চান্দেলনা শিনদুনা জিলা অসিগী মহা এরিয়া চীফ এসোসিয়েসন হোলদা রেজিং এন্দ এসিলেরেটিং এম.এস.এম.ই. পার্ফোমেন্স (রেম্প) স্কিমগী মখাদা নুমিৎ হুমনি চত্থগদবা ফোটোগ্রাফি অমদি ভিদিওগ্রাফিগী ৱার্কশোপ কম ত্রেন্নিং হৌখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা দি.এফ.ও. চান্দেল-ডা: এন. মুনাল মীতৈ, দি.আই.সি. চান্দেলগী জেনরেল মেনেজর-টি.ঐচ. বিজয় সিংহ, রেঞ্জ ফোরেষ্ট

ওফিসার-এন. দিপানচিংবা শরুক য়াখি।

**খাঙবোক (এল)ঃ** খাঙবোক হয়ার সেকেন্দরি স্কুল লিংখৎখিবগী ৭১ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি খাঙবোক্তা লৈবা স্কুল অসিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা এম.এল.এ. ওক্রম সুরজকুমার সিংহ শরুক য়াখি। মদুদা, মহৈরোইশিংনা তোঙান তোঙানবা সংস্কৃত্তিগী ওইবা থৌরমশিং পাঙথোকখি।

**লাইসেন্স (এল)ঃ** কামজোং জিলাদা কাংলুপ অনিগী মরক্তা উংখৎনবগী ফিভম অমা লৈরিবা অসিগী য়েংলগা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা জিলা অসিগী মনুংদা গন লাইসেন্স পায়বশিংনা মখোয়গী মখোয়গী নোংমৈশিং অদু চসাদ পুলিস ষ্টেসনদা খুদক্তা খুৎশিন্নরকবা হায়রি।

চেরোল অমদা হায়-জিলা অসিদা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম ফগৎলবা মতুংদা লাইসেন্স গনশিং লৌবা য়াগনি। কামজোং জিলাদা ঙরাং নুমিদাং নোংমৈ কয়ামরুম কাপ্পগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

অমরোমদা, নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুবু কামজোং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, কামজোং কতমনাউলোং, টি.এন.এল.এফ. সেন্ত্রেল ৱার্কিং কমিতি-উখ্রুলনা থৌদোক অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

**হৈরোক (এল)ঃ** ইং ২০০৮ গী মার্চ ২৪ দা হৈরোক্কী থাবল চোংফমদা মীয়াম তিনবা মফমদা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা থোকচোম রোমেশ, থোকচোম প্রেমিলা অমদি লাইশ্রম নিরমালা লৈখিদবগী ১৮ শুবা নীংশিং থৌরম ঙসি আর.পি.এ. মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা এম.এল.এ. থোকচোম রাধেশ্যাম সিংহনা হায়-লাইবক থিবা থৌদোক অদুনা মনিপুরগী ইতিহাস অমদি হৈরোক্কী ইতিহাসতা

ময়েক লানা লৈরগদবা নুমিৎ অমনি। তুংদা, নীংশিং খুভমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**লোক** ঃ লোক সভানা ঙসি ট্রান্স জেন্দর পার্সন্স (প্রোটেক্সন ওফ রাইটস) এমেন্দমেন্ট বিল-২০২৬ খন্নদুনা পাস তৌনবা খন্নবা হৌখ্রে। বিল অসিনা ট্রান্সজেন্দর পার্সন্স (প্রোটেক্সন ওফ রাইটস) এক্ট-২০১৯ শেমদোকবনি। এক্ট অসিগী মখাদা ট্রান্সজেন্দর অমনা ট্রান্সজেন্দর ওইবগী শক্তাক চে দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংদগী লৌবা য়ানবা খুদোংচাবা পীগনি।

বিল অসিগী মতুং ইন্না অখন্নবা মেদিকেল বোর্ড অমগী পাউতাক মতুং ইন্না দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা সার্টিফিকেট পীবা য়াগনি। বোর্ড অসি চীফ মেদিকেল ওফিসার নৎত্রগা দিপ্যুতি চীফ মেদিকেল ওফিসারনা লুচিংগনি। বিল অসি পুখৎলদুনা সোসিএল জষ্টিস অমসুং ইম্পৱারমেন্ট মন্ত্রি-বিরেন্দ্র কুমারনা হায়- বিল অসিগী মরুওইবা পান্দমদি, মীওই অদুগী হকচাংগী ফিভমগী য়েংলগা সমাজ অসিনা মখোয়বু ইনথোকপগী থৌওং অমা চণ্থরিবা অসিদগী ঙাকনবনি।

**ইসি** ঃ মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা রাজ্য মঙাগী চীফ সেক্রেটরিশিং, সি.ই.ও, দি.জি.পি. অমদি মকোক থোংবা ওফিসারশিংগা ঙসি ইলেক্সন কম্মিসনগা মীফম পাঙথোকখ্রে।

মীখল শান্তি ওইনা, নিয়ম চুমা অমদি পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক মীফম অদু পাঙথোকখিবনি। মসিদা রাজ্য মঙা অসিগী য়ুমথংনরিবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংসু শরুক য়াখি।

চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার-গ্যানসে কুমারগা লোয়ননা ইলেক্সন কম্মিস্নার- ডা: এস.এস. সন্ধু অমসুং ডা: ভিবেক জোসিনা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা রাজ্যশিং অমদি মরক্কী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা রাজ্যশিংগী হৌজিক ওইরিবা

আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী মতাং অমদি মীখলগী শেম শারিবা অদু য়েংশিনখি।

**ফুটবোল ঃ** মনিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা ২৪ শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি সাই এন.ই.আর.সি. নেচরেল গ্রাস ফুটবোল গ্রাউন্দ তাকয়েলদা শান্নখিবা মেটচতা-থাংমৈবন্দ এফ.সিনা ই.এম.ভি.এফ.সি. লমলাইবু পাঞ্জল ৫-০ দা অমসুং ফ্লার্ম য়াইস্কুলনা এম.এল.ভি.এফ.এ. ময়াই লন্বীবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখি।

**কাং ঃ** মনিপুর কাং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা শ্রীশ্রী গোপালদেব অমসুং য়াইস্কুল কাংখুৎনা শিনবা অহুমশুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা অমসুং কুমারী অমিতা দেবী মেমোরিএল লিগ কপ নোক আউট কেন্দ্রৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০২৬ ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-য়াইস্কুল কাংখুৎনা লমশাং কাংখুৎপু পাঞ্জল ১২-১১ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহলাদা অমসুং ডব্লিয়ু. রামানন্দা ইলিত ট্রোফি-২০২৫-২৬ কী ঙসি মোদেল হয়ার সেকেন্দরি এন্দ ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-পি.টি.আর.সি. পাৎশোই পার্ট ফোরনা আর.সি.এ. লিলোংবু রন-১৫ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** দা সোসিএল ৱাকরস কংগ্রেস-খোঙমননা শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা ৮ শুবা টি.ঐচ. ওংবী ঙানবী দেবী মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কে.এস.সি. কোংবনা এ.টি. য়ুনিট টোইন্তি আইটপু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

**ত্রাইয়েল ঃ** মরিশুবা নেসনেল মার্সেল আর্টস গেমস-২০২৬ কী শরুক অমা

ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা জিত কুনেদো ইভেন্টকীদমক ত্রাইয়েল সেলেক্সন থা অসিগী ২৯ দা য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা ময়াই লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা লৈবা ইন্সটিট্যুট ওফ মার্সেল আর্টস কংলৈপাক্কী ত্রেন্নিং সেন্টরদা অয়ুক পুং ৭ মখায়দগী হৌদুনা পাঙথোক্লগনি। শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংনা মশা মশাগী অধার কার্ড লোয়নরক্কদবনি।